## ডেমোনষ্ট্রেসন কন্সর্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
শ্রীশ্রী বালমুকুন্দদেব গভর্ণমেন্ট ম্যুজিক কলেজ ইম্ফালনা শিন্দুনা থা খুদিংগী চথরকপা থৌরম অমা ওইনা লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ১০গী নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা ক্লাসিকেল ম্যুজিক্কী ওইবা ম্যুজি ডিমোনষ্ট্রেসন কন্সর্ট অমা কলেজ অসিগী হোলদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা মহৈরোইশিং অমদি ক্লাসিকেল ম্যুজিকপু পামজবা খুদিংমক্কা শরুক য়াবীরনবা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপালনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## এম ও বি সিগী সী আই সিট মৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
এম ও বি সি মণিপুরগী হাউজিং স্কিম ২০১৫-১৬ কী মখাদা মাইনোরিটি কেটেগোরিদগী খনগৎলবা বেনিফিসরি ৭ কী ফংফম থোকপা সী আই সিট মৎখ্রে হায়না মাস ইডুকেসন্দ এন্দ সোসল ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন খোমীদোক উমং লৈকাইনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি। মাস ইডুকেসন্দ এন্দ সোসল ডিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খনগৎলবা বিনিফিসরিশিং অসিগী মৎখিবা পোৎলমশিং ফঙৎপীদুনা বিনিফিসরিশিংদা পোৎলমশিং অমুক হন্না ফংহনবীনবা ডিপার্টমেন্ট অসিগী ডিরেক্টরদা কয়ারক হন্না ৱাকৎলবসু য়েংশিনবীদ্রে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা চিফ মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

## য়ু এন এল এফনা মীয়ামদা ...

*ঙরাংগী মখা ...*
মসিদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মচুম চাবশিংনা কন্না থাজনরি অদুগা মখোয়না অমুক মীচম-মীয়ামদা শানে দাক্লি। প্রো পিপল মানবা ইন্দিয়াগী নেসনল ফ্লেগশিপ প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎলিবা অসিদি মিনিষ্টরশিং, ব্যুরোক্রেট অমদি মখোয়গা নক্নবা মীওই খুজোক খরগী নুংঙাইনবা স্কিমশিংনি। ওফিসিএলি বেনিফিসরিদা পীজরবসু অন্দর হেদতা মখোয়না লৌবা ঙাক্তনি হায়রি।

হন্দকমক্তদা মণিপুরগী মীয়াম্বু সঙাই ফেষ্টিবেলগী ঈরাং কুম্দোদা তাওরিঙৈদা, ঙাওহন্দুনা থন্নগা ইন্দিয়াগী কর্পোরেটশিং অমদি মল্টি-নেসনল কম্পেনি কয়াদা মণিপুরগী মহৌশাগী লন-থুম কয়া পেত্তুনা কোথোকখিবা য়ানবগী এম ও য়ু ৪১ ইনখিৱবা অদুনি। থৌওং অসি মাঙজবা হেল্লবা লোক্তাক প্রোজেক্ট অসি দিকম্মিসন তৌনবা হায়নরিঙৈ চৈরক্তা ইনখিবনি। এম ও য়ু ৪১ অদুদা মণিপুরগী মিনরেলশিং, পেট্রোলিয়ম, হাইদ্রো-কার্বোন, সিমেন্ট ফেক্টরি, হাইদেল পাৱর, মেদিসিনেল প্লান্টশিং অমদি বাইওদাইভর্সিটি কয়া এক্সট্রেক্ট তৌনবগী মীয়ামগী অয়াবা য়াওদনা সো-কোল ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অয়াবা পীথোকখিবা অসিনি। এম ও য়ুশিং অদুগী অকুপ্পা মরোল মীয়ামদা হৌজিক হায়দোক্তে, য়াম্না চেকশিন্না মণিপুর গভর্ণমেন্ট অসিনা থন্নি। এম ও য়ু অদুগী অকুপ্পা মরোলশিংদু মীয়ামদা ফোঙদোক্তুনা খঙহনগদবনি। মীয়ামগীদমক কান্নবনা করিনো, কান্নদবনা কদায়দনো হায়বসি নৈনরগা মীয়ামদা খঙহন্দুনা মীয়ামগী অয়াবা লৌগদবনি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, ঐখোয়গী মীয়ামগী মাঙ-তাকহনগদবা কান্নরোইদবা এম ও য়ুশিং রিভোক তৌগদবনি। অদুগা এম ও য়ুশিং অদু সাইন তৌবা য়ানবা উৎখিবা দ্রামা, নোর্থ ইষ্ট দিভলপমেন্ট সমিট (এন ঈ দি এস) হায়দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা সীটি কনভেন্সনদা পাঙথোকখিবা অদু ইন্দিয়া ফাউন্দেসননা শীনবনি। অশিন-অরাং তৌবদা ৱেসিয়া (এন ঈ)গী মীওই অমত্তা য়াওখিদে। ৱেসিয়া (এন ঈ)গী মিনিষ্টর কয়া থেন্দুনা থন্নগা লৈতেং ওইহনখিবা খক্তনি।

প্রোগ্রাম অদু কন্দক্ট তৌবা ফাওবা ৱেসিয়া (এন ঈ) দগী মীওই অমত্তা ওইহনখিদে। ময়াং নুপী অমনা কন্দক্ট তৌহনখি। মণিপুর অমদি অরুনাচল প্রদেশতগী নেচরেল রিছোর্সশিং মেক্সিমম এক্সপ্লোইট তৌনবা শীনখিবা থৌরাংনি হায়নসু মখা তারি।

অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা মণিপুর মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী ৱাংমদা মখোয়গী অপাম্বদা ঐখোয়গী লৈজবা লন-থুম পুম্বা পেত্তুনা মেইনলেন্দ ইন্দিয়ারোমদা পুথোকখিদুনা মখোয়গী মরন-মথুম ওন্থোক্লি। অদুগা ঐখোয়বুনা লায়রা তালহল্লি অদুগা অমুকসু ইন্দিয়াদগী চহী-চহীগী নিরগা হিংহন্দুনা থল্লি। মসিদগী কোকহন্নবা পাম্বেদি ইন্দিয়া লৈঙাক অসি মরূ ফংনা ফুক্তোক্তুনা মণিপুরগী নিংতম্বা হঞ্জিন্নবা লান য়ু এন এল এফ-এম পি এনা চঙশিনবনা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট এল বিরেন্দ্রকুমারনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
য়াইস্কুল হিরুহনবা লৈকাইদা লৈবা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা লৈখিদবদা মণিপুরী সহিত্যা পরিষদ, অপূনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (অমিক), রুপমহল ঠিয়েটর, মণিপুর লিটরেরি সোসাইটি, লৈমরোল খোর্জেকোল অমসুং পেট্রিওটিক রাইর্টস ফোরম্না মণিপুরনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী সহিত্যা পরিষদকী প্রেসিডেন্ট প্রোফেসর তোম্বীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরী সহিত্যা পরিষদ ইম্ফালগী ৬৯ শুবা চহীগী মীফমদা শঙ্গগিৎ রত্ন এৱার্দ পীদুনা ইকাইখুম্নখ্রবা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা লৈখিদবদা ঙসি পরিষদ অসিগী প্রসিডেন্টনা প্রিসাইদ তৌদুনা পরিষদ অসিগী ওদিটোরিয়মদা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নুমিৎ অনি তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মতম পুন্নমক্তা ঈংনা-চিক্লা লাইরমলেন্দা লৈরুনবা তাইবঙ শেম্বা মপুগী মফমদা খুরুমজখি। লৈখিদ্রবা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা মণিপুরী খুনুং ঈশৈ, মণিপুরী ট্রাইবেল ম্যুজিক অমদি পেনানচিংবগী মরমদা থিজিনখি। হৌজিক ফাওবদা *মণিপুরী খুনুং ঈশৈ খোমজিনবা* (১৯৯৯), *মণিপুরী লোক সহিত্যা* (২০০৮) অমসুং *মণিপুরী ঈশৈগী ৱাখল্লোন* (২০১৩) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অহুম ফোঙখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেডিও ইম্ফাল অমসুং ডি ডি কে ইম্ফালগী শৈশকপনি। ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেল সেন্টর, কোলকতাগী গভর্নিং বোডিগী মেম্বর, নোর্থ ইষ্টর্ন জোনেল কলচরেলল সেন্টরগী ইগজুকিটিভ বোর্দ অমদি প্রোগ্রাম কম্মিটিগী মেম্বর অমসুং য়ু পি এস সি, ন্যু দিল্লিগী চিয়রমেনগী এডভাইজরনচিংবা ওইখি। মণিপুর সহিত্যা পরিষদ ইম্ফাল, কলচরেল ফোরম মণিপুর, নহারোল সহিত্য সমিতি ইম্ফালগী লাইফ মেম্বরনি। রগাইরোং কলচরেল সোং অমসুং ড্রামাটিক য়ুনিয়ন মিনুথোংগী এডভাইজর অমদি কংলৈপাক তাইবংপেনা মহৈকোল ইম্ফালগী প্রসিডেন্টনচিংবা ওইরম্মী।

মণিপুরী সহিত্যা পরিষদ ইম্ফালগী সঙ্গিৎ ভুষন (১৯৯১), মণিপুর ষ্টেট কালা একাদেমীগী ফেল্লো (১৯৯১-৯২), মণিপুরী সহিত্যা পরিষদকী শ্রীমদ পরমহংস যোগেন্দ্রানন্দ গীরি এৱার্দ (২০০৩) অমসুং সঙ্গিৎ রত্ন (২০০৪), নোংমাইথেম পহারি লাইফ টাইম এৱার্দ (২০০৭) অমসুং অমিক্কী লাইফ টাইম এৱার্দনচিংবা ফংখ্রে। কুমজা ২০১৪ দা ইন্দিয়াগী প্রসিডেন্ট প্রনব মুখর্জিনা ডোক্টর ওফ লিটরেচর ডিগ্রি পীদুনা ইকাই খুম্নখি। মণিপুরী ঈশৈগী ৱাখল্লোন হায়না কৌবা নৈন ৱারেংগী লাইরিক অসিদা মণিপুর সহিত্যা পরিষদ অসিগী ৮০ শুবা চহিগী থৌরমদা মণিপুর সহিত্যা পরিষদ: রাণি খেরদানী (এলাংবী) দেবী মনা পীদুনা ইকাইখুম্নখি।

অপুনবা মণিপুর মতম ঈশৈ কাঙলুপ (আমিক) কী থৌপুবশিং অমসুং মেম্বরশিংনা ঙসি আমিক্কী লাইফ টাইম প্রসিডেন্ট ওইরম্বা শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট অমসুং শৈশকপা লাইশ্রম বিন্দ্রেকুমারনা লৈখিদবনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে। আমিক্কী লুচিংপুরেল ওইবিরম্বা শৈশকপা অসিনা লৈখিদবদা আমিক্কী মতম চুপ্পগী মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অৱাৎপা অমদি লৈহৌরগনি হায়রি।


রুপ মহল ঠিরেটরনা কুমজা ২০০৩ গী মৈত্রম বীর এৱার্দ লাম্থোকখ্রবা থোইদোক-হেন্দোক্লা ইকাইখুম্নরবা লাইশ্রম বিরেন্দকুমারনা ঙসি অয়ুক লৈখিদবদা রুপ মহল ঠিরেটরনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী খুয়া তানখিনবা রুপ মহল ঠিরেটরগী মেম্বরশিংনা থৌনিখ্রে অমসুং লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না রুপ মহল ঠিরেটরগী চিয়রমেন কে হেরামণিনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিগী প্রসিডেন্ট ডা: এ খোলচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী শকনাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা ঙসি অয়ুক য়াইস্কুলদা লৈবা মশাগী ময়ুমদা লৈখিদবদা মণিপুরী লিটরেরি সোসাইটিনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবা মতমদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱাইনা মপুগী নাক্তা লৈরুনবা থৌনিখ্রে। মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা তৌরম্বা থবকশিং অমদি মহাক্লা ফোংলম্বা লাইরিকশিংগী মরমদা শিংথানখি। মহাক্লা লৈখিদবা অসি মেনশিনবা ঙল্লরোইদবা অহাংবা অমা মণিপুর কলচরদা লৈহৌরনি হায়না ফোঙদোক্লখি।

লৈমরোল খোর্জেকোলগী সেক্রেটরি ডা: মায়া নেপ্রম্না থোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী শক্লাইরবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা ঙসি অয়ুক খঙহৌদনা লৈখিদবদা লৈকোল ইম্ফালনা শিন্দুনা ডেব লিটরেচর সেন্টরদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মিনিট অনি তুম্মীন্না লেপখি। মীফম অদু লৈকোলগী প্রসিডেন্ট প্রো: নহাকপম অরুনানা মীফম মপু ওইখি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা লাইশ্রম বিরেন্দ্রকুমারনা লৈখিদবসি মণিপুর ফুরূপকী ওইনা অচৌবা মাংজবা অমনি লোয়ননা মণিপুরী কলচরদা মেনশিনবা ঙমদবা অহাংবা অমা ওইরগনি হায়খি। লৈকোলনা পীবা চোংথাম বীমলা বসন্ত মনা পীদুনা ইকাইখুম্নখ্রবা ম্যুজিকোলোজিষ্ট অসিনা হিংলিঙৈদা তৌরম্বা অমদি কৎথোক্লম্বগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি হায়রি।

পেট্রিওটিক রাইর্টস ফোরমগী সেক্রেটরি রাকেস নাওরেমনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিগী শক্লাইরবা শৈশকপা অমদি শৈবানবা লাইশ্রম বিরেন্দকুমারনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ঙসি ফোরম অসিগী ময়াই শঙলেন কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা ফোরম অসিগী প্রসিডেন্ট রঘু লৈশাংথেম্না মীফম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা ফমখ্রে। অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদুদা ফোরমগী নৌনা প্রসিডেন্ট ওইনা খল্লবা য়াইস্কুল খ্বাইরাকপা, সেক্রেটরি রাকেস নাওরেম, ফাউন্দর সেক্রেটরি ও সি মৈরা, ভাইস প্রসিডেন্ট সোবীতা মোংজম অমসুং জোইন্ট সেক্রেটরি উমাবতি অথোকপম্নচিংবনা শরুক য়াখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাংবদা ফোরমগী প্রসিডেন্টনা হায়খি, ওজা বিরেন্দ্রকুমারনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিনা মণিপুরী মতম ঈশৈগী খোঙচৎতা অচৌবা অহাংবা অমা ওইহৌরগনি। লেপনাইদ্রবা মহাক্কী খোঞ্জেল খঙলেপ- লেপখিবসিনা ঐখোয়দা অচৌবা চৈনা অমদি পীরল্লে।

## লোইনশিল্লোনগী য়েনিংথা অমসুং ফেসবুক্কী ভুট ফোঙখ্রে




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
লমদম অসিগী অইবা-অইবী ২৫ গী খোমজিনবা শৈরেংগী লাইরিক লোইনশিল্লোনগী য়েনিংথা অমসুং খোংবোংময়ুম বিমোলানা ইবা ফেসবুক্কী ভুট কৌবা ৱারী মচা ১২ গী লাইরিক অনি ঙসি তেরা খুরাইজম লৈরক্তা লৈবী থিয়াম ওংবী শিল্লেমাগী য়ুমদা ফোঙখ্রে।

কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপূনবা মরূপ (কলম) গী ১৫ রক শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লাইরিক অনি অসি ফোঙখিবনি। মপোক কুমওন থৌরম অদুদা তাকয়েল জিলা পরিষদকী উপ অদক্ষ ঙাশেপম বিমোল্লা, কংলৈপাক লোইনশিল্লোন অপূনবা মরূপকী য়াইতোংবী, থীয়াম সিল্লেমা অমসুং বিজয় গোবিন্দ গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান সলাম প্রদিবনা মথংশিংনা চিফ গেষ্ট, প্রসিডেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা কলমগী প্রসিডেন্ট ওইরম্বা হাউবম সনাজাওবনা লৈখিদবদা মিনিট অনি তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি।

লোন্নশিল্লোনগী য়েনিংথা হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসি ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম্না খোমজিনবনি। লাইরিক অসিদা হাওবম সনাজাওবা, মোইরাংথেম নিলকুমারী, থিয়াম শিল্লেমা, রামেশ্বর লাইশ্রম, নবকুমার ওইনা, মৈস্নাম বিশেশ্বর, সুরেস খুন্দোংবম, শ্যামজাই লুৱাং, ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম, জি রিসিকেস, ইবোচৌবা কোন্থৌজম, অশেম মেমচা, দেবেশ্বর নিংথৌজম, য়ুম্নাম চনু ৱাংলেনথোইবী হৈস্নাম চনু অশারাণি, রামেশ্বর শরুংবম, লমদম্বা সলাম, খোইরোমচা ফমথোইবা, অরাম্বম তোমচা, কোন্থৌজম চনু গীতা, ঙাঙোম নোরেন্দ্রজিৎ, খুম্বোংময়ুম বিমোলা, জমুনা ময়েংবম, কাঙবম ইঙারেম্বা অমসুং পাউনম প্রেমীলানা ইবা শৈরেংশিং য়াওরি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাংখিবশিংনা ফোঙদোক্লখিবদা, লমদম অসিগী লোল অমসুং ময়েক চাওখৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লিবা কলমনা নৌরিবা অইবশিং পুশিন্নদুনা অসিগুম্বা খোমজিনবা লাইরিক পুথোকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। অইবা য়াওদনা খুন্নাই অমা চাওখৎপা ঙল্লোই। লমদম অসিগী অইবশিংনা ইরক্লিবশিং অসি মীয়াম্না পীবিদুনা পুক্লিং থৌগৎপা চঙই। লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগীসু ইবশিং অসিবু হিংগৎহনবা হোৎনবদা তেংবাং পীহন্নিংই হায়না ফোঙদোক্লখি।

## পোৎয়ান য়াওব্রা য়েংনবা অচা-অথকশিং খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
ফুড সেফটি এন্দ ষ্টেন্দরস এডমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট, মেডিকেল ডিরেক্টোরেট গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শিন্দুনা ইমা কৈথেলদা য়োল্লিবা অচা-অথকশিং পোৎয়ান য়াওব্রা হায়না খঙদোক্লবগীদমক্তা ঙরাং অহানবা ওইনা সেম্পলশিং খোমগৎখ্রে।

সেম্পলশিং খোমগৎপা অমদি লেবোরেটরিদা চঙদুনা টেষ্ট তৌবগী মতাংদা ষ্টেট পব্লিক হেল্থ ফুদ টেষ্টিং লেবোরেটরিদা টেকনিকেল ওফিসার ওইরিবা অথোকপম বিহারনা হায়খি, চানবগীদমক্তা শেম শাদুনা য়োল্লিবশিং অসিদা পোৎয়ান য়াওব্রা হায়বদু খঙদোক্লবগীদমক্তা অহানবা ওইনা ইমা কৈথেলদা য়োল্লিবা অচা-অথকশিংগী সেম্পলশিং লৌখৎপনি। সেম্পলশিং অসি লেবোরেটরিদা চঙলবা মতুংদা পোৎয়ান য়াওই য়াওদে হায়বদু খঙবা ঙমগনি।

মরমদি অচা-অথকয়োনবদা সব ষ্টেন্দর ওইনা য়োনবা মতমদা টেষ্ট তৌরবদি খঙবা ঙম্লগনি। শম্না হায়রবদা ষণগী শঙ্গোম পেকেটতা হাল্লগা য়োলি। মসি টেষ্ট তৌবদা পুপ্রিগী ঈশিং হাপ্পী, য়ুরিয়া হাপ্পী, পোৎয়ান য়াওই হায়বসি খঙ্গাদৌরিবনি। ঐখোয়না লৌজরিবা অসিসু সেম্পলখক্তংদা খোমগৎচবনি। সেম্পল অসিনা পোৎয়ান য়াওব্রা হায়বদুখক য়েংননবনি। চথরিবা অসিমকসু ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা পীরকপা মতু ইন্না চথবনি।

মসিদা য়াওরক্লগনা মখোয়দা এৱার্নেস পীগনি। অদুগা টেষ্ট অসিসু সেম্পল, সেম্পলগী মতু ইন্না শাংবা তেনবগী মতম লৈরি। সেম্পল অমদা পারমিটর ২-৩ লৈবা য়াওই। ৭-৮ লৈবসু য়াওই। পুং ২৪ লৈবসু য়াওই। অদুনা পোৎয়ান য়াওবশিং অদুমশক খঙদোক্লবগীদমক্তনি হায়রি।

## এ এফ ই এস এ এম শেমখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচ এন এস):
আর্মদ ফোর্সেস এক্স সার্ভিসমেন এসোসিয়েসন মণিপুর (এ এফ ই এস এ এম) হায়না মিংথোনবা ইন্দিয়ান আর্ম্মী ওইরম্বদগী রিটিয়র তৌরবা ভলন্টিয়র ভেটরানশিংগী ওইবা এসোসিএসন অমা শেল্লবা মতুংদা মণিপুরগী মনুং হঞ্জিন্না লৈরিবা উখ্রুল অমদি চান্দেল ডিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা চৎতুনা এক্স সার্ভিসমেনশিংগা উন্নখ্রে হায়রি। থা অসিগী ৮ দা ভোলুন্টিয়রশিং অদুনা মণিপুরগী খা থংবা শরুক্তা লৈরিবা শজিক তম্পাক্তা চৎখি। মফম অদুদা লৈরম্বা অসাম রাইফলসকী মতেংগা লোয়ননা শজিক তম্পাক্কী অকোয়বদা লৈরম্বা মশিং য়াল্লবা এক্স সার্ভিসমেনশিংগা উন্নখি। ভোলুন্টিয়র ভেটরানশিং অমদি মফম অদুগী এক্স সার্ভিসমেনশিংগা উন্নদুনা হন্দক্তা আর্মদ ফোর্সেস অমসুং অসাম রাইফলসনা পাইখৎলিবা ৱেলফিয়রগী মতাংদা ৱারি শান্নখি। এক্স সার্ভিসমেন কন্ট্রিব্যুটরি হেল্থ স্কিম হায়না খঙনরিবা অসিনা এক্স সার্ভিসমেনশিংদা মেডিকেল অমসুং হেল্থ কিয়র সিষ্টেমগী কান্নবা কয়া ফংহনগদৌরিবশিং অদুগী মরমদসু মচা খায়না খঙহনখি। এক্স সার্ভিসমেন কন্ট্রিব্যুটরি হেল্থ স্কিমগী পোলিক্লিনিক ইম্ফালগী পেরামেডিকশিং, ডেন্টেল টেক্নিসিয়ালনশিং অমসুং লেভোরেটরি এসিষ্টেন্টশিংনা ডেন্দেল অমসুং মেডিকেল পেসেন্টশিংবু স্ক্রিনিং তৌখি। চক্পীকারোং সব ডিভিজনগী অকোয়বদা লৈরিবা এক্স সার্ভিসমেনশিং অমসুং ভোলুন্টিয়ারশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু লোইশিনবদা আই জি এ আর (এস), ডিরেক্টর জেনরেল অসাম লাইফ, সেক্টর কম্মান্দর, সি ও অমসুং মরিশুবা বটালিয়ন অসাম রাইফলসকী ৱেঙ্ক পুম্নমক্কা মতেং পাংবীখিবা অদুগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী কনভেনরনা লেফটনেল কর্নেল এল মনোংবানা হায়খি, ভলন্টিয়র ভেটরানশিংগী মহুৎশিন্দুনা চিং অমসুং তম য়াওনা ষ্টেট অসিগী মফম খুদিংমক্তা লৈরিবা এক্স সার্ভিসমেনশিংঙ্গা পুন্না হোৎনদুনা মখা তাবা থবক থৌরমশিং চৎখিগনি।

# পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিংগী সেক্যুরিটি কমপোনেন্ট য়াওহন্নবা মৈন্যনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল ফেব্রুৱারী ০৯:
মণিপুর য়াওনা অৱাং নোংপোক লমদমদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্টশিং মতম চানা মপুংফানা লোইশিন্নবগীদমক্তা লমদম অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট খুদিংমক্তা দেদিকেটেদ সিক্যুরিটি কম্পোনেন্ট অমমম য়াওহন্নবা ঙরাং লোক সভাদা গভর্নমেন্টকী পুক্লিং চিংশিল্লদুনা মণিপুরগী এম পি ডো. টি ঐচ মৈন্যনা দিমান্দ তৌখ্রে।

এম পি মৈন্যনা হাউসতা ফোংদোকখি মদুদি জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল রেল- লাইন ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম পেনিংঙাই ওইদ্রি, শুপ্পগী প্রোজেক্ট খরগী উরেপ-উয়ুং তমখিবদনি, মদুসু ষ্টেট কেপিটেল ইম্ফালদনি।

প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা থিন্থবগী মরম লো এন্দ ওর্দরগী ফিভমননি হায়না মতম পুম্বদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোক্তুনা লাকপনা লমদম অসিদা পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট খুদিংমক্তা দেদিকেটেদ সিক্যুরিটি কম্পোনেন্ট অমমম্ য়াওহন্নবা ঐখোয়না দিমান্দ তৌরি হায়না হাউসতা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা চহি অহুম খরা হেনবসিদা ইম্ফাল- সিলচর দেলি ফ্লাইটসু হিঙ্গগৎহনবা লৈতে হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঐখোয় পুম্বা নাগা ইস্যূবু ঈং-চীক্ল া লৈখোয় তাবা পাম্বা ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা এন এস সি এন ( আই -এম)গা হৌখিবা কুমজা ২০১৫কী ওগষ্ট ৩দা সাইন তৌনখিবা ফ্রেমৱার্ক এগ্রীমেন্ট অদুগী অকুপ্পশিং খঙহন্নবা মণিপুর, অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী গভর্নমেন্টশিংনা দিমান্দ তৌবদা হৌজিক ফাওবা খঙহনবা লৈতে হায়না এম পিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুরগী লাইফ লাইনশিং ওইরিবা নেস্নেল হায়ৱে অনী হায়ৱে ২ অমসুং ৩৭ হৌজিক ফাওবা নোং চুরসু চৎপা য়াবা লম্বীশিং ওইহনদ্রি লোয়ননা হায়ৱেশিং অসিদা হৌজিকসু অনওঠোরাইজ টেক্স কলেক্সনশিং চথরি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

# "ঐখোয় লাইরিক নীংথিনা তমশি" গী ১২শুবা নীংশিং থৌরম পাংথোকখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ০৯: মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেন্দেরেসন, এমএসএফনা মণিপুরদা শোখরবা মহৈ মশিংগী লম অসি ফঙৎহন্দুনা অফবা মহৈরোয়শিং পুথোক্লবা অমদি ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরক্লবগীদমক "ঐখোয় লাইরিকনীংথিনা তমশি" হায়বা পান্দমদা চঙশিল্লকখিবা একাদেমিক কেম্পেন হৌদোরকখিবগী চহি ১২ শুরকপগী নীংশিং কুমওন থৌরম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সি য়ুনিটি পার্কতা পাংথোকখ্রে। লোয়ননা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লবগীদমক "ঐখোয় খুন্নাই মশক খঙমীন্নসি" হায়বা পান্দমদা চঙশিনগদবা খোঙজং অমসু ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

ঙসি থৌরম অদুদা মণিপুর ইনষ্টিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী প্রীন্সিপাল প্রোফেসর আর কে হেমাকুমার সিংহনা অথোইবা মীথুংলেন, মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেন্দেরেসন, এম এস এফকী প্রসিদেন্ট ঙারিয়ানবম মিলননা থৌরম মপু অদুগা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরগী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমার অমদি প্রাইভেট স্কুল দিভলপমেন্ট কাউন্সিল থৌবালগী প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম মেঞ্জোর মঙাংনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

# 'নেসনল ডি ৱর্মিং ডেগী থৌরম প্রাইভেট স্কুলশিংনা শরুক য়ামীন্নসি'




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
নেসনল ডি ৱর্মিং ডেগা মরী লৈননা ফেব্রুৱারি ১৩ দা চহি ১০-১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা মহৈরোইশিংদাএলবেন্দাজোর ডি ৱর্মিং টেব্লেট পীজবিয়ু হায়না ওল মণিপুর রিকগ্নাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফিয়র এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এল জয়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উন্নবদা এল জয়না মখা তানা হায়খি, মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল হেল্থ মিসনগী শরুক অমা ওইনা কুমজা ২০১৫ কী ফেব্রুৱারিদগী হৌরগা নেসনল ডি ৱর্মিং ডে হায়না চহি খুদিংগী ফেব্রুৱারি ১০ দা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেট হেল্থ মিসনগী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা প্রি-স্কুল অমদি স্কুল চৎলিবা চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা ডি ৱর্মিং টেব্লেট পীজবিয়ু। তিনজং-কাইজংদবা অফবা মহৈরোই অমমম ওইহনসি।

ফেব্রুৱারি ১০ দা পাঙথোকপা থৌরম অসি ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা প্রোব্লেমশিং লৈবনা মরম ওইরগা হন্দক্তি ফেব্রুৱারি ১৩ দা মণিপুর শিনবা থুংনা চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং খুদিংমক্তা এলবেদালজোন ডি ৱর্মিং টেব্লেট পীজনবা থৌরাং পুম্বা লোইখ্রে। মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল চৎলিবা মহৈরোইশিং অমদি স্কুল-স্কুলগী ওথোরিটিনা মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা হায়রিবা মহৈরোইশিং অসি অনা অয়েক য়াওদবা মহৈরোই অমমম ওইহন্ননবা স্কুল-স্কুলশিংনা ফেব্রুৱারি ১৩ দা শোয়দনা শরুক য়ামীন্নসি। টেব্লেট অসি ডিষ্ট্রিক্ট-ডিষ্ট্রিক্টকী ওইনা লৈরিবা জেদ ই ওদগী লৌবীগদবনি। ঙসিদগী হৌরগা ডিষ্ট্রিক্টতা লৈরিবা জেদ ই ওশিংনা স্কুলশিংদা পীবা হৌরবনি। এসোসিএসন অসিগী মখাদা লৈরিবা স্কুলশিং অমদি মণিপুরদা লৈরিবা প্রাইভেট স্কুল খুদিংমক্লা ডি ৱর্মিং ডেগী থৌরম অসি পুন্না পাঙথোকমীন্নদুনা ইরমদম অসিগী মশা-মউ ফবা মীওই অমমম ওইননবগীদমক্তা সেন্টেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পাইখৎলক্লিবা ডি ৱর্মিং ডে থৌরম অসিদা ঐখোয় খুদিংমক শরুক য়ামীন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

থা অসিগী ১৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ডি ৱর্মিং ডে থৌরম অসিদা মহৈরোই লাক্ষ ৫ রোমদা হিদাক পীজননবা পান্দম থল্লি। চিৎথহৌবশিংনা থা অসিগী ১৫ দা মোক অপ ডে হায়দুনা অমুক হিদাক পীজগনি হায়রি।

# নম্ফালোং মার্কেট মৈ চাকপদগী ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দর থীংজিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
থা অসিগী ৭ কী নুমিদাং অথেংবদা ম্যান্মারগী বোর্দরদা লৈবা নমফালোং মার্কেটতা মৈ চাওনা চাক্লমখিবদগী ঙসি ইন্দিয়া-ম্যান্মার বোর্দর থীংজিনখ্রে।

মনিপুরগী ম্যান্মারদা লৈবা পুলিসকী মতুং ইন্না নমফালোং মার্কেটতা থা অসিগী ৭ নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা মৈ চাকপা হৌরকখি। মৈ চাকপদূনা মরম ওইদুনা মর্কেট মতম কক্তনা থীংজিল্লে হায়না ডিষ্ট্রিক্ট ওফিসল অমনা ফোংদোকখি।

ফীভম থীনা চাক্লিবা মৈদু ইন্দিয়াগী মাইকৈদা শন্দোরকপা য়াই হায়বদগী অকিবা লৈবদগী মীপাইরবা মীয়াম্না ময়ুম ময়ুমদগী চেন্থোক্লদুনা মখোয়গী ময়ুমশিং অমসুং দুকানশিংদা ঈশিং চাইশিন্নখি। লোনা অয়াবা পীখ্রবা বোর্দর ত্রেদকী মরু ওইবা মার্কেট ওইরিবা নমফালোং মার্কেট মৈ চাকপদু লাকশিন্নবা হোৎনবদা পুং কয়ামুক চংখি। অদুম ওইনমক মী শিবা অমদি শোকপা-পনবগী পাওদি ফংখিদে। শাথিরবা মৈহৌলাংপোক অদুদা দুকান অমসুং বিজিনেশ ইষ্টাব্লিসমেন্ট ৩০ হেন্না তুম্না চাকখ্রে হায়না নমফালোংগী ওফিসলশিংনা ফোংদোকখি

দুকান অয়াম্বা চাইনা দুকান অমসুং সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংদগী পুশিংল্লকপা মপালগী অতাংবা পোৎলমশিং পৈশিনদুনা থম্বনা মৈ চাকপদুদা অমাং-অতা চাওনা থোকখি হায়না থাজনখি। মৈহৌলাংপোক অদুগী হৌরকফম হৌজিক ফাওবা ঙমদ্রি। কুম ১৯৯৫দা বোর্দর ত্রেদ লিগেলাইজ তৌখিবদগী মোরেদগী নমফালোংদা বিজিনেস হোংখিবনি।

# ওর্থোপেদিক্স সর্জন্স এসোসিএসনগী ৩১ শুবা এন্যুএল কনফরেন্স হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):
জেনিমসকী ডিপার্টমেন্ট ওফ ওর্থোপেদিক্সনা মণিপুর ওর্থোপেদিক্স সোসাইটিগা খূৎশম্নদুনা শীনবা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল ওর্থোপেদিক্স সর্জন্স এসোসিএসনগী ৩১ শুবা এন্যুএল কনফরেন্স ঙসি জেনিমসকী মেইন ওদিটোরিয়মদা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা কনফরেন্স অদুদা প্রোফেসর রাজ বহাদুর ভাইস চাঞ্চেলর, বাবা ফরিদ য়ুনিভর্সিটি ওফ হেল্থ সাইন্সেস, পঞ্জাবনা চীফ গেষ্ট; প্রোফেসর এস নোংথোন হেদ ডিপার্টমেন্ট ওফ ওর্থোপেদিক্স, রিমসনা প্রসিদেন্ট অমসুং প্রোফেসর টিঐচ ভিমো ডিরেক্টর, জেনিমস অমসুং প্রোফেসর এ সান্তা ডিরেক্টর, রিমস অনীনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা শরুক য়াখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখিবা প্রোফেসর টিঐচ ভিমোনা ফোঙদোকখিবদা নোর্থ ইষ্ট রিজনেল ওর্থোপেদিক্স সর্জন্স এসোসিএসননা লমদম অসিদা অচৌবা থৌদাং অমা লৌরি। মসিনা নোর্থ ইষ্টকী নহা সর্জনশিংনা অনাবশিংবু হেন্না ফবা মওংদা ক্যের লৌনবা হোৎনরিবনি। মণিপুর ওর্থোপেদিক সোসাইটিনা মতুং তারকপদসু সাইন্টিফিক ওইবা কনফরেন্সশিং শীনবা ঙমগনি হায়না ফোঙদোকখি।

# নেসনল ডি ৱর্মিং ডে পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
সিজ হোস্পিটালনসু নেসনল ডি ৱর্মিং ডেগী শরুক অমা ওইনা ফেব্রুৱারি ১০ দা সিজ হোস্পিটালশিংদা ডি ৱর্মিং টেব্লেট ফ্রিদা য়েন্থোক্কনি হায়রি।

লৈবাক শিনবা থুংনা নেসনল ডি ৱর্মিং ডে পাঙথোক্লিবা অসিগী শরুক অমা ওইনা সোইল ট্রান্সমীটেদ হেল মিন্থকী খুদোংথিবা হন্থহন্নবগী পান্দমদা চহি ১ দগী ১৯ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা ডি ৱর্মিং টেব্লেট য়েন্থোক্কনি হায়রি। অঙাংশিং অমদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী মরক্তা পেরাসাইট ইনতেষ্টাইনেল ৱার্ম ইনফেক্সন থোকহল্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা ডি ৱর্মিং টেব্লেট পীজগদবনি। সিজ পেডিয়াট্রিক্স এন্দ নেয়োনেটোলোজি ডিপার্টমেন্টনা ফ্রিদা ডি ৱর্মিং টেব্লেটশিং সিজ ই এন টি হোস্পিটাল সনাকৈথেল, লম্ফেল, সমরিতান নর্সিং হোম বিজাং চুড়াচান্দপুর, রফ হোস্পিটাল ওপোজিৎ থৌবাল ডিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল খাঙবোক, নাওরেম ফার্মাসি ককচিং বজার, গনশ্যাম ফার্মাসি মালোম অমসুং বিশেশ্বরি ফার্মাসি মোইরাংদা ফংহনগনি হায়রি।

# মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী টেক্নিকেল এন্দ কলচরেল ফেষ্টিভেল ফেনোমেনন '১৮

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী অনীশুবা ইদিসন ওইনা ফেনোমেনন '১৮ হায়না মীংথোনবা টেক্নিকেল অমসুং কলচরেল ফেষ্টিবেল ঙরাং তাকয়েলপাৎতা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ষ্টেট একাদেমি ওফ ট্রেনিংদা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ হুম্নি চথুগদবা ফেষ্টিভেল অদুগী হৌদোকপগী থৌরমদা প্রোফেসর অদ্যা প্রসাদ পান্দে, ভাইস চাঞ্চেলর মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা চীফ গেষ্ট, প্রোফেসর লাইফ্রাকপম তোম্বীনা ভাইস চাঞ্চেলর, মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিনা প্রসিদেন্ট অমসুং উত্তম চান্দ লাইশ্রম, ফোর্মর ডাইরেক্টর, ডিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইদুনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রোফেসর অদ্যা প্রসাদ পান্দেনা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা হায়, মহৈরোয়শিংগী থৌরম অমা শরুক য়াবা মতমদা মহাক্লা মহৈরোয় ওইরিঙৈগী পুন্সি অদু নীংশিংলকই। মহৈরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা মীং থোন্দুনা মখোয়গী ওইবা থৌরমশিং পাঙথোক্লরি। মসিগী মনুংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা ফেনোমেনন হায়না মীংথোন্দুনা পাঙথোক্লিবা অসিসু অমনি।

অসুম্না তোঙানবা মীং থোন্দুনা পুথোক্লিবা প্রোগ্রামশিং অসিনা মহৈরোয়শিংনা কদায়ফাওবা হোৎনবগে হায়বদু তাক্লিবনি। অসিগুম্বা অচৌবা প্রোগ্রামশিং পাঙথোকপগীদমক য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা তোঙান-তোঙানবা কলচরেল ডান্সশিং উৎখি।

# ফোক নরেটিভ আর্ট অমসুং কংলা ঠিয়েটর মারাথোন

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ০৯ (ঐচএন এস):
কংলৈ লিভিং আর্টস উচিৱানা শিন্দুনা লাক্লিবা মার্চ ২৬ তগী ৩০ ফাওবা ৫ শুবা ফেষ্টিভেল ওফ নরেটিভ আর্টস এন্দ কংলা ঠিয়েটর মরাথোন ২০১৮ উচিৱা ভিলেজদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

কংলৈ লিভিং আর্টস মণিপুরগী সেক্রেটরি থনাউজম প্রেমজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌখিবা চহি কয়াদগী হৌনা লমদম অসিদা ঈপা-ঈপুনা ঐখোয়গীদমক থম্বীরম্বা আর্ট ফোম কয়াসু য়োকখৎজনবা অমসুং আর্ট ফোমশিং অসিবু মীয়াম মাংদা নৌহৌননা খঙহন উহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কলচরেল ফেষ্টিভেল অসিদা ঠেয়েটর অমদি কলচরেল গ্রুপশিং অমদি কলচরবু য়োকখৎপীরিবা আর্টিষ্টশিংনা শরুক য়াবিয়ু। ফেষ্টিভেল অসিগী শরুক অমা ওইনা ড্রামা কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতম লাক্লিবা মার্চ ১৫ ফাওবা ওইগনি হায়রি। ফেষ্টিভেল অসিদা তোঙান তোঙানবা কলচরেল পার্ফোর্মেন্স কয়াগী অথোই-অহেন তান্নবগা লোয়ননা মনাশিংসু য়েন্থোক্কনি হায়রি।